ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, দিসেম্বর ২৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৬৯শুবা মশীং

# লোংসাইগী এক্সিদেন্ট
## কম্পেন্সেসন ওইনবু পীফম থোকপ্রা

দিসেম্বর ২১, ২০২২গী অয়ুক পুং ১১.১০ রোম তারকপদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লোংসাই পার্ট-থ্রী (তুবুং)গী লম্বীগী ব্রেটিং শেদ মনাক্তা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অমসুং শোক্তুনা লায়কন্নরিবশিংদা শেলগী মতেং পীরগনি লাউথোকখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্না লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ৫/৫গী শেনফম পীরগনি হায়খ্রে। ফীভম খরা লুনা শোকপশিংদনা লুপা লাখ ১/১ পীরগা কা হেন্না শোক্তবশিংদনা লুপা লিশীং ৫০/৫০গী শেনফম পীরগনি লাউথোকখ্রে। মণিপুর লৈঙাক খক্তা নত্তনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ২/২গী শেনফম পীরগা শোক্তুনা লায়কন্নরিবশিংদনা লুপা লিশীং ৫০/৫০গী শেনফম পীরগনি হায়রকখ্রে। অদুবু মতাংসিদা হায়নীংলিবদি লৈখিদ্রবা থম্বালনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা ১ অমসুং ৱার্দেন ১ য়াওনা নুপীমচা মহৈরোয়শিংদুদা পীরগনি লাউথোরক্লিবা শেনফমসি য়াম্মন্দে, খরগা হেন্না হাপকৎলগা পীয়ু হায়বা নত্তবদা থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং অমসুং লায়কন্নরিবশিংদা পীগনি হায়নরক্লিবা শেনফমসি পীরবসু ‘তেংবাঙ’ (এক্স গ্রেসিয়া) ওইনা পীফম থোক্তে? মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তঙাইফদনা পীদবা য়াদবা ‘কম্পেন্সেসন’ ওইনা পীফম থোকপ্রা হায়বনি। ‘কম্পেন্সেসন’ ওইনা পীবা তারগদি লাউথোক্লরক্লিবা শেনফমসিসু মতিক চাদে হায়বা ৱাফমসু অমুক থোরকপনি। মসি হায় হায়দুনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং অমসুং অশোকপশিং লুপা ক্রোরনা খুজিং ওইরগা পীয়ু হায়বা নত্তে। মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈখিদ্রবা চমজরবা ওজা অমদি ৱার্দেন য়াওনা নৌজরিবী মহৈরোয় নুপীমচাশিংদুগী হকচাংশিং সনা য়োমশিল্লবসু মখোয় অমুক হল্লকখিগদবা নত্তে। ওইথোক্লরোইদবা মসিমক থোরক্লবা মণিপুর লৈঙাক অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোরকপনি হায়বসু খঙই। অদুবু শেনফমশিংসিদি মণিপুর লৈঙাক্কী কন্টিঞ্জেন্সি নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদগী পীহন্নীংদে হায়বনি।

মরমদি খুদোংথীবা থৌদোক থোকখিবা মফমসি দিসেম্বর ২১, ২০২২গী নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা থোকখ্রিবসিনা অহানবা নত্তে। থম্বালনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী নুপীমচা মহৈরোয়শিং পুবা মরাইবক থীরবা বসতু ব্রেক ফেল ওইরম্বা য়াই, ষ্টিয়ারিং ফেল ওইরম্বসু য়াই। নৎত্রগনা অদুগুম্বা তমথীরবা থৌদোক্তু থোক্লবগী অতোপ্পা মেকানিকেল দিফেক্ট নৎত্রগা ফেল্যরগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরম্বসু য়াই। অদুবু মফমদু মমাঙদসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং তোয়না থোকখ্রবা ‘এক্সিদেন্ট প্রোন’ ওইরবা মফমনি হায়বনি। ফীভমসি ওইরকপদগী চীফ মিনিষ্টর, ৱার্ক্স মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা শেমজিনবীনবা কয়ারক হন্না হায়জখ্রে, মেমোরেন্দম ফাওবা পীশিনখ্রে হায়রিবনি। হায়বদি থৌদোকসি থোকখিবগা লোংসাই খুলগী ভিলেজ চ্যেরমেননা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা প্রেস ক্লব তান্না লাক্তুনা পাউগী মীফম পাঙথোকখ্রিবনি। মীশি-মীনা তোয়না থোক্লবা লম্বীসিগী ফীভম মীয়ামদা শিৎ-নান্না ফোঙদোকখ্রিবনি। শেমজিনবীয়ু হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়জরকখিবদা শেমজিনবীদবদগী থৌদোকসি থোকখিবনি হায়দুনা ফোঙদোকখিবনি। ভিলেজ চ্যেরমেনগী ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরগদি য়ুনিয়ন লৈঙাক মরী লৈনরম্লগনা লৈনরম্লে, লৈনরমদ্রবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না থৱায় মাঙহনবা অমসুং অশোক-অপন নংহনবগীদমক মতিক-চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়বসিনি। পীফমসু থোকই। লম্বী অসিগা হকথেংনরিবা খুলগী ওথোরিটিনা কয়ারক হন্না শেমজিনবীয়ু হায়জরকখিবদু লম্বীসিগী ফীভম মুন্না খঙবদগীনি। মদুদা থৌদোকসি থোকখিবা নুমিৎ ফাওবদা শেমজিনখিদবনি। অদুগা খুদক্তগী হৌরগা মথং চহী ২০২৩গী জন্যুৱারী ১০ ফাওবা মহৈলোয়শঙশিংগী এক্সকর্সন অমত্তা চৎপা য়াররোই হায়বগী ওর্দর স্কুল এদ্যুকেসন লোয়শঙগী দিরেক্টরনা থোরকখিবনি। ওর্দরসি মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকপদি ওইরমগনি অদুবু মরু ওইরিবদি লম্বী শেমজিনবনি। লম্বী শেমজিন্দ্রবদি অথিংবসি লৌথোকখ্রগা অমুক লাকপদদি থোরক্লরোইদ্রা হায়বগী ৱাফম লাক্কনি। অদুনা মীচম-মীয়াম পুল্লপ-পুল্লপ শিফম মখা তানা ওইরক্তনবা প্রপ-প্রপ শেমজিল্লু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **“মণীগী মঙাল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“মখৈ লৈত পেঞ্জবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ঈথৈখ্রবা ঈচেল”** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদল্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/য়ুগ য়ুগ খুদিং।।”** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“লৈমরেম্বীনি ঐ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০৪
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

কুমদুগী চহীদু চপ চাবমক্তি কাউখ্রে, ঐনা খনবদা ১৯৮০গী দিসেম্বর অদুৱাইদা ওইরমগনি হায়না খল্লি। ঐখোয়গী লীলা ময়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা মতমদুদা শান্নখিবদু - অসিরা মীওইবগী পুন্সি (চাকথেকপী), লমলক্কী চেক্লা, নাইট ক্লব হায়বা অসিনি। লীলা অহুমসি অসুক্কী মতিক ময়াম্না পাম্না য়েংনৈ, ঐখোয়সু ইনখৎলকপগী হৌনবী য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নে। মীসু লাইসু কিদবা মতম হায়বদুনি। লীলাদু ঐখোয় ইহান হানবা ওইনা জিরিবামদা কৌরকপদগী চৎলি। জিরিবামগী রেগান হোল হায়ব্রা অমা লৈরম্মী, অশেংবদুদি কাউখ্রে। মদুদা ঐখোয়গী লীলাসি চেরিটি শো নুমিৎ নীনি চূপ্পা শান্নবনি। লীলাদু মী অসুক্কী মতিক য়াম্না য়েংবীখি। অহানবা নুমিৎতুদি হোল মনুংদা লৈরিবা মীয়াম অদুগুম্বা অমা মপান্দা ঐখোয়গী লীলা অদুবু য়েংগদবগী লৈখি। লীলাদু মীয়ামদু য়াম্মনখিবনা হৌবা পাক ঙমখিদে। মমৈথংদা মপান্দা লৈবশিংদুসু টিকেট লোইনা ককহল্লগা মপানগী লম্পাক অমদা পুথোক্লগা পূন্না য়েংলগা লীলাদু হৌখি। অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখি। অদুগী মতুংদা কছাররোমদা লীলা মফম অমা অনীদা শান্নবিনবা য়াম্না কন্না হায়রৈ। মতমদুদা ঐখোয় মী অনী (ইশামক অমদি লৈখিদ্রবা ধনবির) সি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবনিনা মখা তানা লৈথোকপদা য়াম্না খুদোং চাখিদে। অদুবু লাক্লিবশিং অদুনা য়াম্না কন্না হেক্তা হায়রবদুদা ঐখোয়নসু পাক পাক লাকপা ঙমদবনিনা লীলাদু মফম অমা অনীদদি শান্নরল্লসি হায়দুনা ঐখোয় মফম অনীদা লীলা মখা তানা শান্নখি। মফম খুদিংমক্তা ঐখোয়গী লীলাদু ময়াম্না পাম্না অদুম য়েংবীখি। ঐখোয় পার্টিগী মমিং অসি বরাক তম্পাকলোমদা য়াম্না হেন্না মমিং চৎখি। মফম খরদগীসু লীলা শান্নবীনবা লেপ্পা লৈতনা লীলা শানরিবা মফমদা লাক্তুনা হায়রৈ। অদুবু ঐখোয়না মথংগী চহীদা লাকচরগে হন্দক্তি খুদোং চাররোই হায়দুনা য়াখিদ্রে।

মতাংসিদা ঐনা থমজনীংবা য়াম্না নোক্লিংবা ৱারী অমতং পঞ্জহৌগে। ঐগী পুন্সিদা ইলিশা হায়বা ঙা অদুগী মহাউ লৈতোনসিদা তংদ্রি। জিরিবাম য়ৌবদা ইলিশা ফংই হায়বা খঙই। ইলিশা অমগী মহাউ হায়বা ওজা কুঞ্জমোহোননা ইবা ৱারীমচাদু পাবদগী অমুক্তংদি ইলিশা হায়বদু চাগে হায়না খনখিবদু হন্দক জিরিবামগী খোঙচৎ অসিদা ঐখোয় ইলিশা চারসি হায়দুনা লেপ্পরে। জিরিবামদা শান্নবা অনীশুবা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরমদা ঐখোয় জিরি কৈথেল কাই। অদুবু জিরি মনুংদদি ইলিশা ফংখিদে। জিরিগা অসামগা তাইনবদা লৈরিবা থোং অদু হেক লাম্থোকপদা ঙা য়োনবা য়াম্না লৈ। ঙা মখল মখল য়োল্লি, অকঙবা, অয়াইবা অমদি অতেকপা। হৌজিকসু অদুম লৈরি। হৌজিক্লবু খরা হেন্না চাওখৎলে হায়বা য়াই। থুময়াকপী ঙা, ফাবৌ, ঙামু অয়াইবা, মখল কয়াগী ঙা ওন্থোক্লা য়াম্না য়োনখ্রে। মদুদা ঐখোয় মরি মঙামুক শুই কৈথেল কারে। ইলিশা ফংব্রা হংলে। ইলিশা হায়বদু লৈরম্মে। চাবদি লায়রদনা, ইলিশা লৈবা চৎলিবা ঐখোয়না ঙাদু পায় পায়দুনা য়েংই। অহানবা উবনি ঐখোয়দি। য়োল্লিবদুনা পীয়ু হায়বা মমলদু খরা ঙাঙনরগা তাথোক তাশিন তৌনরগা ঐখোয় কেজি ৩ খক লৈরে, কনাগী তিলহৌ চনম্নচিংবা লৈরে হায়রগা ঐখোয়গী লৈফম তান্না লাক্লে। হোরেলদি ইলিশা চারদবনি হায়দুনা ৱাখলসি য়াম্না নুংঙাইনা লাকই। লৈফম য়ৌরে। ইলিশা লৈরক্লে হায়বদা তূমদুনা লৈহৌবা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংদু হৌগৎনদুনা লৈরক্লিবা অশিবা ইলিশাদু ময়াম চঙদুনা য়েংনরে। ঐখোয়না লৈরিবা ইমুংদুগী মীশিংদুদা কমাইনা থোংবা হায়বনচিংবা হংনরগা, ঙাদু শেমদুনা থোংবা হৌরে। য়াম্না চংখোন্না থোংই। লংফৈ চৎপা হায়সিদি ময়াম চঙদুনা থোংবনি। অমনা মরোই শেমগনি, অমনা অমা তৌশিল্লক্কনি। থোংবদা শীজিন্নরিবা খাবৈদু থৱায় য়াওবশিংদি অমুক অমুক্তা ওইরসু পায়রগা ওৎনরিবনি। ঐ ওৎকে, ঐ ওৎকে হায়দুনা। ঙাদু য়াম্না নীংথিজনা থোংলে। অদুগা মখুম চেৎনা খুল্লগা, নীংথিজনা থনল্লগা ঐখোয় লীলা শান্নফমদা অদুম চৎলে। লীলা শান্নবা লোইরগা হোরেল চাগদবনি। থোংবদু হোরেলদি থেংলনি হায়দুনা লীলা শান্নদ্রিঙৈদা থোংলগা থনম্বগী ৱানি।

লীলাদু শান্নবা লোইরে। প্রপ প্রপ হল্লক্লে। ইলিশা চাদৌরবনি হায়দনা খরা শাহনসি হায়দুনা মৈগকা হৌগৎলগা শাহল্লে। চাক থিনরে। এঞ্জাংদু হাপ্লে, খাবৈ অমমম। ঐদি য়েনবা হৌরকপদগী অদুম তিন চুল্লবনি চানীংবনা ঙাওরবনি। ইলিশা চাবা ফংবা লাইবক ফবা হায়বদু ঐ ঙসিদি ওইরেদনা গাইনা খঞ্জরিবনি। অহানবা মহীদু খরা তোৎলগা চখোম অমা চাবদুদা ঐ চপ লেপ্পী। ময়ামসু মাগী মাগী লৈতোন্দা করিনোমা ফাওনবজাৎনি। ঐখোয় ৱাদি ঙাঙনদনা মথং মথং য়েংনৈ। অতৈগী নত্তে, ইলিশাদু চাবদা অসুক্কী মতিক থুম্মে। অহানবদদি ইলিশা হায়বসি থুম্বজাৎলা খল্লুবনি। অদুবু ৱা ওইনা হায়নরক্লে। ঙাইখো ঐখোয়গী এঞ্জাংসি কনানা থুম থাকই। থুম থাকপা মীদু হৌজিক হিংলি। মমিং পঞ্জররোই, মাবু খোঙ্গোইনবা ওইনা থোক্লনি। ঐনা থাকপনি হায়না খুল্লকই। করম্বা থুমনো থাক্লিদো হায়না হংনরে। মানসু তাক্লে। তু অসিদগী চেগী খাওদা য়াওরিবা থুমসিদগীনি। মতমদুদা প্লাষ্টিক শীজিন্নদে, চেগী খাও ঙাক্তা ওইনা শীজিন্নে। মী অমনা চঙশিন্দুনা থুমদু মরৈদা হাপ্তুনা তংলে, অদুদগী থুম ওইরমদ্রে, চিনি ওইরম্মে। থুম থাক্লিবা মীদু ঐখোয়দগী অহলনি, তাদা সিদি থুম নত্তে, চিনিনিনে। হেক থংননা লৈরিবা চেখাওদুদা অমুক য়েংবদদি থুম ওইরম্মে। চিনিগা থুমগা চেখাও অমমমদা হাপ্লগা থম্মীন্নবদুদা থুম ওইরবোই নীংদুনা চিনিদু ওইনা নম্নবা হায়দুনা অহুল্লক মচিৎ মচিৎ থাকপদুদদি ইলিশা থোংবদু মশানা থুম্বা তারেদনা। ওইসস... ইলিশা চাবগী মঙ মঙলুবদু চিনি থাকচিল্লমদনা নুমিৎতু ইলিশাগী মহাউ ফংদনা অদুম তোক্লে।

নোং ঙাল্লে, ঐখোয় বরাক তম্পাকলোমদা অদুম হাইজিনখ্রে, লীলা কৌরবা মফমদু তান্না বসতা চৎলে। অদুগা মফমদুদা মতম চানা থুংলুরগা চাক থোংদুনা চারে। মদুগী চাক্তু লীলা কৌবিরিবশিংদুনা নীংথিনা শেম শাদুনা থম্বীরম্বদগী ঐখোয়না চঙশিল্লগা থোংবনি। নুমিৎতুগী এঞ্জাংদু কাউদ্রি হৌজিকসু ঐখোয় শ্বাইদদি হৱাই থম্পাক কায়না কৌনবা শংত্রিক শংবদুনি। মখোয়দদি হৱাই উরি হায়না কৌনৈ। মদু থোংবনি, কয়াদি হাওখ্রে। ঙা অয়াইবা ঐখোয়না জিরিবামদগী পুরকপদু খরা থাকচিল্লগা, মোরোক অতেকপা অমমম চিক্লগা চাখিবদুগী মহাউ ঙসিসু কাউবা ঙমদ্রি। নুমিৎতুদা ঐখোয় লমলক্কী চেক্লা হায়বা লীলাদু শান্নখি। লীলাদু লৈখিদ্রবা ওজা মাইবম রামচোরোননা ইবনি। তশেংবগীদি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা লম্বী চৎপা হায়দুনা য়াম্না মায় পাক্লা শান্নখ্রবা দ্রামা অদুনি। ঐখোয়না শেমদোক শেমজিন তৌরগা ওজা রামচোরোননা লমলক্কী চেলা হায়দুনা মিং থোন্দুনা শান্নবনি। লীলাদু য়াম্না নুংশি, অয়েংবা মী কপ্তবা অমত্তা য়াওদে। য়াম্না নুংঙাইনা য়েংবীখি। অদুগী নোং ঙানবদসু অতোপ্পা মফম অমদা অমুক অঙনবদা চৎলি। ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীরল্লদুনা অনৌবা মফমদুগী অশিন অরাংশিংদুনা লাংলম্মী। মদুনা ঐনা নীংশিংবদা সিঙ্গরবোন্দ হায়বা মফম অদুনি। মদুদসু ঐখোয় মায় পাক্লা লীলাদু শান্নরল্লগা মথংগী নোং ঙানবদা হল্লকখি। ●

# অহানবা খোঞ্জেল থোক্লা কপখিবা নুমিৎতো - ১

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

পুন্সিগী ওইনা, কনানা করি হায়রক্কনি খল্লুবা লৈতনা ইনীং তম্না ইহান হান্না কপখিবা নুমিৎতো ঙসিগী অয়ূকসিদনি। ঙসিদি ঐহাক চহী ৫৯শুরে। চহী ২৫ হেনজিল্লক্লে টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা পুন্সিগী ঈচেলনা পুবিরক্তুনা লমদম অসিগী সিটিজন অমা ওইনা লৈরকপা। Hungkuo Delin University দা ইংলিসকী প্রোফেসর অমা ওইজদুনা চেন্থরি পুন্সিগী ঈচেল ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমা অমদি ইচানুপী অনী অমদি ইচানুপা অনীগা। কন্না হোৎনজবদগী অমদি লাইবক ফবদগী শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দসু মিষ্টর এসিয়া, মিষ্টর য়ুনিভর্স, মিষ্টর ৱর্ল্ড, মিষ্টর ৱর্ল্ড কপ অমদি মিষ্টর ওলিম্পিয়ানচিংবা মীংথোল ১২ অমসু ফংজদুনা, Natural Bodybuilding Hall of Fame, INBA PNBA WORLD AMBASSADOR, Light of Taiwan হায়বনচিংবা ইকায়খুম্নবীবগী মীংথোল খরসু ফংজদুনা মালেমদা ঐহাক্কী ফিদা মচা অমসু ফংজরে। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থৌ পুজদুনা এসিয়াদা নেচরেল স্পোর্টসপু শন্দোকপদা অচৌবা শরুক অমসু য়াজরি। ঙসি মীরমদা লাপ্না লৈখ্রবসু ঐহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎতি পীক্লবা কংলৈপাক/মণিপুর কৌবা নুংশিরবা লমদম অসিদগী হৌরকখিবনি।



পুন্সিগী ইহান হানবা ওইনা তাইবঙপান অসিদা খোঙদারকখিবা নুমিৎতো কুমজা ১৯৬৩গী দিসেম্বর ২৮দনি। পীক্লবা কংলৈপাক/মণিপুর কৌবা নুংশিরবা লমদম অসিগী ইম্ফাল সিটিদা লৈবা উরিপোক বচস্পতি লৈকায় কৌবা লৈকায়দা লৈরম্বা অপোকপা পলেম ইমাগা হেক পোকমিন্নবা মচে (মখোয় মচিল মনাও অনীখক্তনি) ঐখোয়না ইমাবোক থোকই, ইমাবোক্কী শঙ্গাইদা মতম খরা শৈতাংদুনা লৈরিঙৈ মচা ১০ পোকপগী মনুংদা অরোইবা মচানুপা ওইনা ফংজখিবনি লায়র পলেম পন্থৌ অনীগী শৈদাংশঙদা। অসুম্না হৌরকখি ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেল।

লায়রজরবা অমদি লাইরিকসু মচেৎ অমত্তা মমিৎতা উরক্তবা পলেম পন্থৌ অনীনা ইম্ফালদা হিংনবগী পাম্বৈ অমত্তা উরক্তবদগী মচাশিংসি হিংজনবা হায়দুনা মফম অমদগী মফম অমদা য়ূম হোং হোংদুনা সুম লাকপনা মমৈথংদা কংলাতোংবী হায়রিবা খুঙ্গং অসিদা থুংলখিবনি। খুঙ্গংসিমক্তনি ঐহাক্কী পুন্সিদা পলেম পন্থৌ অনীগী অৱা অনা কয়াদা শরুক য়াজরক্তুনা লায়রবা, লৈত লায়র হায়বসি করিনো মশক খঙলকপা, চাক পুক থন্না চাবা ফংদবগী অৱাবা, ফিরোল মতিক চানা শেৎপা, ইনবা ফংলক্তবগী নীংথমথা কয়া থক-থক নীক্লা হিংলকপগী, ঈনা কুপ্পা, ৱাচেৎনা খাবা ফক্লাং অহোবদা লৈরকপগী নীংথমথা খুদিং অহিং কয়া ঈংবনা তূম্বা ঙমদনা লেল্লকপা, মখল মখলগী অৱা অনা কয়া অমা থেংনদুনা পুন্সিগী অৱা অনা কয়া মশক খঙলকখিবা।

কংলাতোংবী খুঙ্গংদা চহী অহুম/মরি শুরকপা অদুৱাইদগী লৈরকপদুনা চহী মঙা/তরুক শুরকপা অদুৱাইদগী অদুম হৌরকখ্রে ইয়াম্বগী মতুং ইন্দুনা ষণ শেনবা য়াওবা হৌরকপা চীংয়া তময়াদা। ঐহাক্কা হেক থংনবা ইয়াম্বা ঙাঙোম মংলেমজাওবু নাওরেমথোংদা ময়ূম পানখ্রবী পুকফবী ইচে অহলদা তাংদুনা শেল তানবা হৌরকখিবা ইয়াম্বা অহল ঙাঙবম কলা অমদি ইয়াম্বা য়াইমা ঙাঙবম ইবোবী অনীনা ইম্ফালদা লাইরিক তম্নবা হায়না হেক পুখিবা নুমিৎ অদুদগী অদুম হৌখ্রে ঐহাক্লা য়ূমগী ষণ অহুম/মরিদো শেনবা নুংতিগী। মান্নে নুংতিগীনে। স্কুলদা লাইরিক তম্বদি থাংজ, নোংমাইজিং হায়না স্কুল কাদে অদুবু ষণ শেনবদি লেপ্পা য়াদে নোংমতা।

ষণ শেনবদুসু চুম্নগী ষণ শেনবতা নত্তে চারবসু চাদ্রবসু চাকখুম অমদি ফুঙ্গাগী মৈদি মুৎপা য়াদবনিনা অকংবা শীং চন্দুনা য়ূমগী শীং ৱাৎতনবা হোৎনবা হায়বসি ঐহাক্কী ইথৌনি। অসুম্না নুংতিগীনি ষণ শেন্না শেন্না অকংবা শীং চন্দুনা পুরকপা। শীং চনবসিসু নোংমতা লেপলক্তে নোং চুবা অমদি ঈশিং ঈচাও থোকপা নুমিৎশিং নত্তনা। মসিগী মথক্তা লমহাঙদা অমদি চীংয়া তময়াদা ফংবা এঞ্জাং-নাপি হেক্তুনা পুরক্লিবনি চাকখুমদা খরতা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা।

অসুম্না অয়ূক্তা পুং অহুম্মুক লাইরিক তম্লগা নুংথিল পূম্বা ষণ শেন্দুনা পলেম পন্থৌ অনীগী অৱা অনা কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা কংলাংতোংবী হায়রিবা খুঙ্গং অসিদা। অদুবু পুন্সিগী ঈচেলদা অমুক তাওথরক্তুনা শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লৈরক্তা অমুক থুংলখি। ঐহাক্লা চহী ১২ হেল্লকপা অদুৱাইদনি ইয়াম্বা অহল অমদি ইয়াম্বা য়াইমা অনীনা কংলাতোংবীদা সুম লৈরবদি ষণ শেন্দুনা পুন্সি অদুম লোমখিবা তারে হায়দুনা মনাও অতোনবা ঐহাকপুসু মোইরাং হনুবদা লৈবা ইয়াম্বা অনীগী লায়র শঙলেন্দা অমুক পুবিরকখিবা। খোঙচৎ অসিগী মমাঙ চহী খরগী মমাঙদসু নাওরেমথোংদা ইচেল অহলগীদা লৈদুনা ইয়াম্বা মংলেমজাওগী মতুং ইন্দুনা মহৈ তম্নবা হায়দুনা পুবিরক্তুনা লাইরিক তম্বা হৌখিবনি নাওরেমথোংদা। অদুবু চহী অমা ফাদ্রিঙৈদা অপোকপা পন্থৌনা য়ূমদা ষণ শেনবীনবা লৈতে হায়দুনা অমুক অপোকপী পলেম থারক্তুনা পুবিরকখি কংলাতোংবীদা। অঙাং ওইবনিনা পলেম পন্থৌ অমদি খুন্নাইগী মরুপ মপাংশিং য়াম্না তোয়না নীংশিংলকপদুদা হরাও হরাও পলেমগী মতুং ইন্দুনা লাকখিবনি কংলাতোংবীদা অমুক।

অদুবু হন্দক্কী শগোলবন্দদা লাকপগী খোঙচৎসিমদি অমুক হন্না হল্লরোই কংলাতোংবী খুঙ্গংদা। শগোলবন্দদা লাকপদগীদি অতোপ্পগী ফি তুবা (টেলর) ইয়াম্বা অহল অমদি অতোপ্পগী উ শুবা (কারপেন্টর) ইয়াম্বা য়াইমা অনীনা শেল মতিক চানা থোক্তবনা মতমদুদা অনকপা অদুৱাইদা লৈবা খ্বাইদগী হোঙবা স্কুল থিরকপদা তেরা সাপম লৈরক্তা লৈরম্বা মণিপুর রুরেল ইন্সটিট্যুটতা মিং চনবীদুনা হায় স্কুল তম্বা হৌরকখি। লায়রজরবসু মহৈ মশীন তম্বদি পূক্লিং য়াম্না চঙলকই ঐহাকসে অদুনা ক্লাসতা ঐহাক্লা মকোক্তা থোংদুনা লাকখি। কংলাতোংবীদা লৈরিঙৈদসু মকোক মথংদা তাদুনা লাকখি তাকপী তম্বীনবা কনা লৈত্রবসু। ঙসিদি ঐহাক্লা তম্লকপা রুরেল ইন্সটিট্যুটতো থুপচিনখ্রে, স্কুল হৌদোক্লম্বা ওজা কুবের লৈখিদবদগী ওইরম্বসু য়াই। কুমজা ২০১৯গী খোঙচৎতা ওজাগী য়ূমদা চৎতুনা ওজা কুবেরগী লোয়নবী ইমাদো উন্নবা চৎলুবদা খঙলকপনি। হায় স্কুল তল্লিঙৈ মতমদো য়াম্না ৱাখি, চাক পুক থন্না চাবা শুংফং ফংখিদে। ইনখৎলক্লিঙৈ পুন্সিগী তাঙ্কক্তুদা চাবা থকপা মপূং ফানা ফংলক্তবা অমদি কোক্তা অরুম্বা পুদুনা চহী কয়া হিংলকপা অদুনসু মরম অমা ওইরম্বনি ঐখোয় ইচিল ইনাও ময়ামগী মরক্তা ঐহাক্লা খ্বাইদগী নেম্না চাওরকখিবা। অদুম্না হিংলকখিবা নহা অমনা ঙসি মালেমগী ওইবা মীংথোল কয়া লৌরকপা হায়বসি ঙক্লবু থোকই ঐহাক্কী ইফমদদি।

অদুবু পুন্সিগী ঈচেলসি তম্বা ঙমদেকো। হোৎনববু লেপত্রবা, ইশাদা থাজববু থল্লবা, নোল্লুক্লবু চৎলবা, মীঙোন্দবু কায়রুদ্রবা, য়ৌনীংবা পন্থুংদি অদুম য়ৌবা ঙমজবজাৎনি। অসুম্না লায়র লায়রনা মহৈ তম্লকপনা মেট্রিক পাস তৌদুনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস এন্দ কম্মর্সতা মীং চন্দুনা পি য়ু (প্রি য়ুনিভর্সিটি) অমদি টি দি সী (থ্রী-য়র দিগ্রি কোর্স) তম্লকখি। মতমদুদসু হান্নদগী হেন্নদুম ৱারকখি। ইয়াম্বা ঙাঙবম মংলেমজাওসু পোলিটেক্নিকতা তম্বগী শেল চঙবগা ঐহাকসু কোলেজ কাবগী শেল হেন্না চঙলকপগা লোয়ননা ইয়াম্বা অনীগী অঙাং মশীংসু হেনগৎলকপনা ইয়াম্বা অনীনা মীগীদা থবক শুদুনা তাল্লকপা শেনফমদো কোন্নবা হায়বদুমা শুংলৈ হেক লৈখিদে। মতমদুদনি ঐহাক্লা চে চাং, কোলোম, মুক অমদি লাইরিক্লচিংবা ফাওবা লৈবা ঙল্লক্তবদগী ইশাগী ঈ য়োনবা চৎখিবদো ইম্ফাল মনুংদা লৈরম্বা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা। নীংশিংলকই মথং মথং ইপোক নুমিৎনা লাকপসিদা। ●